TATA SKY FREE
32" LED + TATA SKY
(3 Yrs Warranty) (Monthly Recharge ₹ 153)
₹ 12500
INTEX
WASHING MACHINE
6.2 kg = ₹ 8000
7.2 kg = ₹ 9200
7.5 kg = ₹ 9800
8kg = ₹ 10300
7.5kg Spl. Godrej = ₹ 11300
8.5kg Godrej = ₹ 13200
REFRIGERATOR
180 Lt INTEX = ₹ 10200
185 L GODREJ ₹ 13400 = ₹ 10600
190 Lt Samsung = ₹ 11000
190 Lt 3 STAR Godz = ₹ 12800
Videocon House, Paona Bazar, Imp.

GOLD PRICE 10G/24K
DELHI : RUPEES 32,785.00 /-
KOLKATA: RUPEES 32,655.00 /-
BENGALURU: RUPEES 32,750.00 /-

SAMSUNG লুহোং-মচল
WATER PURIFIER EUREKA FORBES
Samsung 40" LED
Samsung Refrig 3 STAR 190 Lt.
Samsung 7.2/6.5 Kg Washer
₹ 51,999/-
FREE ₹4999
Samsung 43" LED
Samsung Refrig 3 STAR 190 Lt.
Samsung 7.2/6.5 Kg Washer
₹ 53,999/-
Videocon House, Paona Bazar, Imp.
Chingtam, Opp. Hotel Anand Contl.
Sarajeevan Ent. Paona Bz. Imp.

### হেক্তা হায়জিনবা

ড্রামা

য়েংউ য়েংউ লাক্লিসে
ইলেক্সনগী কেন্দিদেটসে
নুংশিদরা য়েংউসে
ফেজোম ফুরিৎ শেৎলিসে
সিন্দুর পাক্ল নল্লিসে
ইতুক তুকথরিবসে
হূই অনাবা মাল্লিসে
খুৎ তোয়না শোক্লিসে
মকোক তোয়না নোল্লিসে
শোয়বীনু শোয়বীনু হায়রিসে
মপুক্লিংদনা খল্লিসে
ঙসি মঙায়রে হায়জদৌসে
ইকাই ইকি থাদৌসে
য়ৌবু য়ৌরিদ্রা পৈশাসে
শীন্নখিবদো য়েঙ্খোকসেন
য়েংউ য়েংউ লাক্লিসে
ইলেক্সনগী কেন্দিদেটসে
মান্দ্রা য়েংউ তৌরিসে
মতাং তৌশিন্নরিসে
ভোটকী ড্রামা তৌরিসে

# পাৱরনা ভোট ফঙনবা হোৎনবা চপ চানা থেংনগনি ঃ সি পি আই

ইম্ফাল এপ্রিল ১৭(এস এন এস) ঃ ১৭ শুবা লোক সভা মীখলগী হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি মীখল অসিগী মাঙওইননা এসেমব্লি কন্স–ট্যিয়েন্সি খরদা মরু ওইনা হৈঙাং, অন্দ্রো অমসুং থোঙজু এ সি দা রুল্লিং পার্টিগী মীওই খরনা মাখোয়গী অপান্বা ভোট ফঙনবা সি পি আইগী লীদরশিংনা হায়েং থদগদৌরিবা ভোট অসিদা সি পি আইগী এজেন্টফম্বা য়ারোই অমসুং পার্টিগী ওইবা মীওই খরনা নৎতনা অতোপ্পা মীওই অমত্তা ভোট থাদবা য়ারোই হায়না থ্রিটেন তৌবা থেংনরে হায়না কম্যুনিস পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সি পি আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী ইরবত ভাৱন্দা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরী এল সোটিনকুমারনা হায়খি, হয়েং অসি মীয়াম্না য়াম্না মনিং তম্না ভোট থাদনগনি হায়না খঙন্নরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা য়াম্না শাথিবা মওংদা হৈঙাং, অন্দ্রো অমসুং থোংজু এ সি শিং অসিদা রুল্লিং পার্টিগী মীওই খরনা মখোয়গী অপান্বা ভোট তৌবা য়ানবা সি পি আইগী লিদরশিং দা হয়েংগী ভোট থাদবা অসিদা এজেন্ট ফমবা য়ারোই অমদি পার্টিগী মীওই খরা নত্তনা অতোপ্পা মীওই অমত্তা ভোট থাদবা য়ারোই হায়না কিহল্লে। হায়রিবা এসি শিং অসি মমাঙগী ইলেক্সন কয়াদসু মিনিষ্টর ওইরিবা কেন্দিদেট মশানা ভোটকী কাংলোনশিং থুগাইদুনা ভুট কেপচর তৌবগী চাওরবা ৱাথোক কয়া লৈখিবা মীয়াম্না খঙনরে। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি চথহনদনবা মণিপুরগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার মশা উন্নদুনা ৱাকৎখ্রে। লোয়ননা অথুবা মতমগী মনুং দা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদসু ৱাকৎনবা শেম–শারে।

চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার উনবা মতমদা চীফ মিনিষ্টরদগী হৌরগা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংনা ইলেক্সন কেম্পেন তৌবা মতমদা লৈঙাক্কী গারীশিং মনিং তম্না শিজিন্নবা অসিবুসু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লমই। লোয়ননা ইলেক্সন কোদ ওফ কন্দক্টকী অথিংবা লৈনা লৈনা হয়েংগী মীখল অসিদসু লৈঙাক্কী গারীশিং শিজিন্নরকপা য়াবগী অকিবা লৈ। মসিবুসু থিংনবা ৱাকৎল্লে। হায়রিবা এ সি অহুম অসিদা পৱার পায়রিবা কাংবুনা নমদুনা বুট কেপচর তৌনবা হোৎনদুনা মখোয়গী অপান্বা ভোট ফঙনবা হোৎনরিবা অসি সি পি আই না তুমিন্না লৈথোক্লোই। চপ চানা তেংনগনি। মসিদা অফা–ফত্তা থোকহনিংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবসু হায়দুনা মাংজৌননা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসারদা ৱাকৎপনি। অমসুং লৈবাক্কী লূরবা তানফম ওইরিবা য়াম্না মরু ওইবা মীখল অসিদা লৈবাক্কী ফম্নাইবশিংনা য়াম্না লাইনা খন্দুনা মনি পৱার অমসুং মসল পৱার শিজিন্নদুনা নমদুনা পৱার মুন্নবা হোৎনরিবসি সি পি আইনা চপ চানা থেংনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# পাটি অমত্তদা ফিল্মগী আর্টিষ্টশিংনা শৌগৎপা লৈতেঃ ফিল্ম ফোরম

ইম্ফাল এপ্রিল ১৭(এস এন এস)ঃ ১৭ শুবা লোক সভা ইলেক্সন হয়েং এপ্রিল ১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্নর পার্লিমেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি মীখলদা ফিল্মমগী আর্টিষ্টশিংনা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তদা শৌগৎপা লৈতে। কনাগুম্বা আর্টিষ্ট খরনা শৌগৎপা য়াওরল্লবসু মদু মরন্নাইগী ওইবা ৱাফমনি হায়না ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চিয়রমেন্দ শমজেতসবম মঙ্গোলঞ্জাও না ফোঙদোকখ্রে

ঙসি লম্ফেলদা লৈবা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ওফিস্তা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায় ঙরাং এপ্রিলগী ১৬তা খ্বায়রমবন কৈথেলদা বি জে ৱাই এম অমদি ফিল্মগী আর্টিষ্টশিংনা বি জে পি গী মীরেপ আর কে রঞ্জন গী কেমপেন্দ চখখ্রে হায়বা পাউ অমা লোকেল টি ভি চেন্নেল অমদি পাউ চেশিংদা ফোঙনরক্লিবা অসিদা অর্টিষ্ট বোনিয়ম থোকচোম না আর্টিষ্টশিংনা বি জে পি বু শৌগৎপা ওইনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা য়াওরিবা 'আর্টিষ্টশিং' হায়বা ৱাহে অসিনা আর্টিষ্ট খুদিংমকপু কোনশিল্লি। মরম অসিনা বোনিয়ম থোকচোমগী ৱাফম অসি ফিল্মগী খুদিংমক্কী হক মহাক্না মাঙহনবনি হায়না ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা লৌই। ফিল্মগী আর্টিষ্টশিংগী ওঠোরিটি বোনিয়ম থোকচোমনা ওইবা নৎতে।

মহাক্না মখা তানা হায় বোনিয়ম থোকচোমগী ৱাফম লৈবাক মীয়ামদা ফিল্মগী আর্টিষ্টশিংবু লান্না লমজিংবনি। ফিল্মগী আর্টিষ্টশিংনা মানা মানা পামজবা মীওইদা ভোট পিবদা থিংবা ঙমদে। মদু মশা মশাগী অনিংবা অপান্বনি। অদুবু বোনিয়ম থোকচোম অমদি অতোপ্পা আর্টিষ্ট খরনা বি জে পি গী ইলেক্সন কেম্পেন্দা য়াওরগা ফিল্মগী আর্টিষ্ট খুদিংমকপু য়াওবগুম লান্না উহনবগীদমক ফিল্ম ফোরম মণিপুরগা ৱাখল তামিন্নদুনা বোনিয়ম থোকচোমনা শেংদোক্ত্রবদি মহাক্কী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি। লোয়ননা ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা মহাক্কী মথক্তা লৌবা য়াবা এক্সন লৈব্রা হায়বদুসু কুপ্না খন্নরগনি। কখা তানা ইলেক্সন অসিগী মতাং দা আর্টিষ্ট অমতনা আর্টিষ্ট মীয়ামদা অমুবা কালি তৈশিনবগী ৱাফমশিং ফোঙদোকপীগনু। করিগুম্বা ফোঙদোক্লবদি বোনিয়ম থোকচোমদা লৌখৎকদৌরিবা এক্সন অসিগা চপ মান্না ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা লৌ–খৎকনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ফাইনান্স সেক্রেটরী ৱাইখোম গোজেন, সেক্রেটরী ইনফোরমেসন এন কম্মুনিকেসন রাকেস নাওরেম অমসুং জোইন্দ সেক্রেটরী ওইনাম গৌতমসু শরুক য়াখি।

# ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্কী ওইনা পোল্লিং ষ্টেসন ৫৫ দা নুপীশিংখক্তনা মথৌ তৌগনিঃ দি ই ও

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৭(এস এন এস) ঃ তরাতরেৎশুবা লোক সভাগী হয়েং অনীশুবা তাঙক্তা ভোট থাদনগদৌরিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্স–টিট্যুয়েন্সদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোল্লিং ষ্টেসন ৫৫ দা নুপীশিংখক্তনা মীখলগী মথৌ তৌগদৌরি ।মসিগী মনুংদা ১৪–য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্স–টিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৩৮মক য়াওরি।

ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট রঙ্গিতাবলি ৱাইখোমনা পাউমীশিংদা হায়, হয়েং মীয়াম্না ভোট থাদনগদৌরিবা অসিগীদমক শেম শাবা পূম্নমক লোইরে।

মীখল অসিদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্টি পূম্নমক মখোয় মখোয়গী মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং দা থুংনখ্রে। মীখল অসিদা চাউরাক্না ভোটর লাক্ষ ৩.০৩ রোমনা ভোট থাদগনি। মসিগী মনুংদা নুপা ভোটরনা লাক্ষ ১.৪৬, নুপী ভোটরনা লাক্ষ ১.৫৭ নি লোয়ননা ট্রান্সজেন্দর ভোটর মশীংনা ২৫ নি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন ৪৩০ লৈগনি। অপুনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ১০ লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা এ আর ও ৬ না মীখলগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনগনি।

মীখল অসিগীদমক ভর্নরেবল পোকেট ৮ পুলিসকী মায়কৈদগী খঙদোক্লুনা লৈরে। মসিগী মনুংদা খুন্দ্রাকপমদা ২, ক্ষেত্রিগাউদা ১, কৈরাওদা ৩, অন্দ্রোদা ২ য়াওরিবনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা পুন্না ক্রিটিকেল পোল্লিং ষ্টেসন ২৪ য়াওনা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ১১২ দা লাইভ ৱেবকাষ্টিং তৌগনি।

মসিগী মনুংদা খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৪৩ মক, ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন ৪৬ মক লাইভ ৱেবকাষ্টিং তৌগদৌরিবা অসিদা য়াওরি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা পোল্লিং ষ্টেসন ৫৫ দা নুপীশিংখক্তনা মীখলগী মথৌ তৌগনি। মসিদা য়াইস্কুল কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন ৩৮ মক নুপীশিংখক্তনা মথৌ তৌগনি হায়খি।

মসিগী মনুংদা লিজার্দ লাইব্রেরি, ৱাংখৈ মৈহৌফম লম্পাক অসিদা তাগদৌরিবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং অমসুং সেক্যুরিতি পূম্নমক নুপী ঙাক্তা ওইগনি। পোল্লিং ষ্টেসন অসি মোদেল পোল্লিং ষ্টেসনসু ওইগনি।

মীখল অসিদা পোল্লিং ষ্টেসন লোকেসন ১৩ গী পোল্লিং ষ্টেসন ১৯ দা মোদেল পোল্লিং ষ্টেসনশিং শেমগৎলি। মসিগা লোয়ননা মসিদা তোঙান তোঙানবা ফেসিলিতিশিং মীয়ামদা ফংহনগনি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা ৱাঙখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ১৫। ৩২–লম্লোং হয়ার সেকেন্দরি স্কুল সাউঠ ৱিং অসি দিফরেন্টলি এবল পার্সনশিংখক্তনা মীখলগী মথৌ তৌগনি। লোয়ননা পোল্লিং ষ্টেসন অসি স্পিসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসন ওইনসু লাওথোকখ্রে।

মীখল অসিদা ভোট থাদবা লাকখিবা মীওইশিংনা ভোটর স্লিপ–খক্তনা মীখলদা শক্তাকচে ওইবা য়ারোই। মসিগা লোয়ননা অতোপ্পা ই সি আইনা শকখঙলবা শক্তাকচেশিং শিজিন্নগদবনি হায়খি।

মীখল অসিদা মীয়াম্না অকি অখঙ য়াওদনা মীয়াম্না ইশাগী ফংফম থোকপা ভোট থাদবগী রাইট অদু শিজিন্নবীয়ু। লোয়ননা মীখল অসি য়াম্না ইংনা চিক্না পাঙথোকপদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি জোগেচন্দ্র হাউবিজমনা হায়, পোল্লিং ষ্টেসন ৪৩০ অসিগী মনুংদা ১১২ দি সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স অমসুং ৩১৮না ষ্টেট পুলিস ফোর্সনা ঙাক শেনগনি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা ভর্নরেবল পোল্লিং ষ্টেসন ৯ অমসুং ক্রিটিকেল পোল্লিং ষ্টেসন ২৪ লৈরি। ভর্নরেবল পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা সি পি এম এফ সেক্সন ২, ক্রিটিকেল পোল্লিং ষ্টেসনশিং দা সেক্সন অমমম থমগনি হারি। লোয়ননা মসিদা ষ্ট্রাইরিক রিজার্ভ অমসুং কমান্দো পার্সোনেলশিংসু শিজিন্নগনি হায়খি।

## কাঙুজম সুনিন্দ্র গ্লোরি ইংলিশ স্কুলনা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭(এস এন এস)ঃ য়ু পি এস সিনা লৌবা সিভিল সার্ভিস একজামিনেসনদা ৫৩৫ শুবা রেঙ্ক তারকখ্রবা কাঙুজম সুনিন্দ্রবু ঘারী মখা লৈকাইদা লৈবা মহাক্না মহৈ তম্লকখিবা গ্লোরি ইংলিস স্কুলনা ঙসি স্কুল অসিদা ওকখ্রে।

থৌরম অদুদা কাঙুজম সুনিন্দ্রনা হায়, মহাক ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবা গ্লোরি ইংলিশ স্কুলদা তম্লকখ। অঙাং ওইরিঙৈ পুন্সিদা মহাক চেলেঞ্জ কয়া অমা থেংনরকখি। মহাক্কী ইমুংসু শেল–থুমগী ফিভম অসি ফত্তবা মরম্না মহৈ তম্নবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া থেংনখি। অদুবু মহাক্কী স্কুলগী মায়কৈদগী হিরম খুদিংমক্তা শৌগৎপীরকখিবা অসিনা ঙসি মহাক্না সিভিল সার্ভিস একজাম অসি মায় পাকপা ঙম্বনি। মহাক্কী মায় পাকপগী মনা অসি স্কুল অসিদা পীনিংই।

মহাক্না মখা তানা হায়, মীওইবা অমনা মায় পাকপা মী অমা ওইননবা হোৎনবা মতমদা লাইরিক–লাইশু হৈবতা নত্তনা পুন্সিগী তাঙকক খুদিংমক্তা মীওইবা অমগী পার্সোনেলিটি অসি য়াম্না মরু ওই। থবক অমগীদমক্তা ইন্টরভিয়ু য়াওবা মতমদা কেন্দিদেট অদুগী মার্ক খক্তা নত্তনা পার্সোনেলিটিদসু য়েংই। মরম অদুনা হৌরক্লিবা মহৈরোইশিং অসি লাইরিক হৈহনবা খক নত্তনা মখোয়গী পার্সোনেলিটি দিভলপমেন্টকী দমক্তা স্কুলনা মখল–মখা কয়াগী এক্টিভিটিজ শিং পায়খৎপিয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী চিয়ারমেন এন সুরোধোনিনা হায়,লৈবাক অসিগী ওইনা পাঙথোকপা একজামদা স্কুল অসিদা তম্লম্বা মহৈরোই সুনিন্দ্রনা মায় পাক্লকপা অসি স্কুল অসিগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাইনি। সুনিন্দ্র অসি ঐচ এস এল সি একজামদসু পোজিসন য়াওরকখিবা মহৈরোই অমনি। হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিংসু সুনিন্দ্রগী মতৌগুম হোৎননিংবা অমদি মীথোই–মীহেনবা ওইনবগী ৱাখল্লোন চেলহনবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী সেনিয়র ওঝাশিং সি ঐচ খেলেন্দ্র, টি গোজেন অমদি টি বিনোইকুমারসু শরুক য়াখি।

## অনৌবা লুপা ৫০গী নোট থাদোকখ্রে

ইম্ফাল এপ্রিল ১৭(এস এন এস) ঃ রিজার্ব বেঙ্ক ওফ হন্দিয়ানা মসিগী গবর্ণর শক্তিকান্ত দাসকী খুৎয়েক য়াওবা অনৌবা লুপা ৫০ চৎপীগী নোট অমা থাদোকখ্রে।

অনৌবা লুপা ৫০ চৎপী অসি মহাত্মা গান্ধী ৯নিউ) সেরিজ গী লুপা ৫০ চৎপী অদুগা মশক মওং চপ মান্নে হায়না রির্জাব বেঙ্ককী চেরোল অমনা হায়রি।

হৌজিক চৎনদুনা লৈরিবা লুপা ৫০ চৎপীগী নোট অসিসু হান্নগুম অদুম চৎনদুনা লৈখিগনি হায়না রিজার্ব বেঙ্ককী চেরোল অদুনা মখা তারি।

## নোংলৈ–নুংশিৎনা মিটর ১০০ ৱাংবা টৱার ...

*লমায় ১গী মখা* প্লোত্রি ফার্ম য়াওনা তোঙান–তোঙানবা মফম কয়াদা য়ূম কৈ হুমদোকখ্রে।

ঙসি নোংলৈ নুংশিৎ থোকখ্রবা মতুং পাউমীশিংনা চৎতুনা য়েংশল্লুবদা অভিয়ান প্লোত্রি ফার্মগী মপু চোংথাম দুরবতরাখাবা না পাউমীশিংদা হায়খি খোংহামপাৎকা খামরালগা তায়নবা মফম ওকসু হায়রগা খঙনবা মফমসিদা চৈচৎ ২০১৬দগী হৌরগা বোইলর য়েন লোইদুনা শিনফম অমা ওইনা ৱানা হোৎনরকবনি। মফমসিদা পুন্না বোইলর য়েন লিশিং ৬ লোইবনি। অদুবু ঙসি অয়ুক শিৎখিবা অক্লবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা প্লোত্রি ফার্মগী য়েন লোইফমদা নুংশিৎনা হুম্বদগী তেকথরক্তুনা ননবদগী য়েন ৫০০ রোম শিখি। ঙসি শিরিবা য়েনশিং অসি নুমিৎ ৪৪ শুরবা য়েন্নী। হয়েং অসি মারক্তৈতা থদোক্লবগী থৌরাং তৌদুনা লৈবনি। অদুবু লাইবক থিবদি কে জি ২.৬ মুক লুল্লবা য়েন ৫০০ রোম অসি ঙসিগী নুংশিৎ অদুনা অমাং অতা থোকহনবদা লৈখিদ্রে। মশীং য়াম্না শিরম্বা য়াবদু লৈকাইগী মীয়াম্না মতম চানা কনবিহৌখি। লৈবাক্কী থবক থিদনা শিম্মী অমা ওইনা ৱানা হোৎনজবনি। থোক্লিবা অৱাবা থৌদোক অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীৎয়েং চঙহন্নিংঙি হায়না হায়খি। নাকল অমরোমদা ঙসি অয়ুক অখাক–অরাও য়াওনা শিৎখিবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা তোপ খোঙনাংখোদা য়ূম হুমদোকখি। হুমদোরকপা পোৎ চৈ শিং অদুনা অতোপ্পা য়ূম মথকশিংদা তাশিনবদগী চাওনা অমাং অতা কয়া থোকখ্রে হায়খি। চীংঙারেলদা লৈবা চেঙ্গুমগী ফার্ম অমসু নুংশিৎনা পুন্না হুমদোকখ্রে হায়রি । ঙসি শিৎখিবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা লাইরেন শাজিক, থোঙজু পাট টু, বামোন কমপু , লমশাং, কোইরেঙ্গেগী মফম কয়াসু অমাং অতা থোকখি।

মরক অসিদা মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী অৱাংনোংপোক থংবা শরুক অমদি অৱাং থংবা শরুক্তা অকনবা নোংলৈ–নুংশিৎ, লেন তাবা অমদি অখাক অরাও মায়োক্লুরবা য়াই হায়বগী চেকশিন ৱা ইন্দিয়ান মেট্রোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এস ডি) না পীখ্রে।

মফমশিং অসিদা দিপার্টমেন্ট অসিনা অম্বর কলর ৱার্নিং হায়বদি নুংশিৎকা মরী লৈনবা থৌদোক হেক্তা থোরকপা য়াবনা মীকুপ নাহুম শিংনা নৈনবা খঙহনে–খ্র। ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মতম নত্তনা লাকপা নোং, উফ্রুলগী নোংলৈ অমদি নোংগী অখাক অরাওনা মরম ওইদুনা রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ, গুজরাত্তা মীওই ৩৫ হাৎখ্রে। অদুগা কয়া অমনা অশোক–অপ ন নংহনখ্রে।

মধ্য প্রদেশ, রাস্থান মণিপুর অমদি অতৈ মফমশিংদা নোং অমদি নোংলৈ নুংশিংনা হাৎখ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা এক্সপ্রেসিয়া ওইনা লুপা লাক্ষ অনী অদুগা অশোকপা শিংদনা লুপা লিশিং ৫০ পীনবা প্রাইম মিনিষ্টরগী নেস্নেল রিলিফ ফন্দনা অয়াবা পীখ্রে।

## ঈখেং তাখিবা ঈহৌ মীখলদা কাউফম ...

*লমায় ১গী মখা* খ্বায়রবন্দ কৈথেল খোঙজং চঙশিনবদা টিয়ার গ্যাস সেল অমসুং স্মোক বোক কয়া কাপশিন্দুনা অশোক অপন নংহনখিবা অদু ঙরাংতা ঙাইহরি। মদু ভোট নকশিল্লকপা অসিদা মীয়াম্না ঙৈহাক্কী নুংঙাইবা খরদা য়ুমফম ওইরগা কাউফম থোক্তে।

কুমজা ১৯৪৭তা ইন্দিয়া নিংখা তম্লবা মতমদা মণিপুরবু কুমজা ১৯৪৯দা ইনি দয়ানা নমলৌ লৌশিনখি। মতমদুদগী ঙসি ফাওবা ইন্দিয়ানা লমদমসিগী মীয়াম্বু মান্নদবা মীৎয়েং অমদা য়েংদুনা লাক্লি অমদি অৱাং নোংপোক্কী মোঙগ্লোইদ ফুরুপশিং অসিবু নমথদুনা থম্নবা অমদি মুৎথৎনবা ৱাখল্লোন মখোয়গী মকোক্তা শাগৎপা হৌখ্রে। হিরম ৪ মখোয়না অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্বু মুথৎনবা হোৎনরি। অহানবদা হিরম ওইনা শেল থুমদা মিকানহল্লগা ঐখোয় মশেল হাত্তোক্লুহনবা। অনীশুবদা মিলিটরি থাজিল্লগা নৈখায়হনবা। মদুগী খুদম ওইনা অফস্পা থমজিন্দুনা মীওৎ মীনৈ কায়া চখরিবা অসিমকনি। অথুবদা পোলিটিকেল দাইলুসন ওইনা নেস্নেল পোলিটিকেল পার্টি ময়াম অমা থাজিল্লগা রিজনেল পার্টিশিং নমথদুনা থম্বা। মরিশুবা হিরম ওইনা পোপুলেসন দাইলুসন হায়বসিনি। মসিনা তৌগদৌরিবসি অৱাং নোংপোক্কী অপীকপা ফুরুপশিং অসি মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মনাতোন তুম্বা, মমিৎ লাওবা অরিয়ান ফুরুপশিং অসিনা য়োৎশিল্লহনখিবা অসিনি। মসিনা খ্বায়দগী মরুওইবা হিরম অমা ওইরি। হৌজিক ঐখোয়গী চৎনবী, নাৎ পূম্নমক থুগায়না হোৎনরক্লি। মদুগী চাওরবা খুদম সিটিজেন্সিপ এমেন্টমেন্দ বিল (সি এ বি) ২০১৬ হায়বসি মাঙদা তাদুনা লৈরে। সি এ বি অসি করিগুম্বা চৎনখিবা তারবদি অৱাং–নোংপোক্কী মীয়াম অসি হিংবা ঙমদবগী তাংকক অমা শোয়দনা লাক্লগনি। মসি খঙবদগী অৱাং–নোংপোক্কী মীয়াম অমত্তা ওইনা খোল্লাও অমা লাক্লে।

সি এ বিগী ময়োক্তা ইমা–ইবেলশিংনা তুমদা চাদনা অৱা–অনা খাংখিবা, মহৈরোইশিংনা লাইরিক তম্বা তোক্তুনা ইহৌ কয়া হৌরকখিবা অদু ভোট ময়া অসিদা ঐখোয় পঙথফম থোক্তে। ঐখোয়গী ইশু কাউফম থোক্তে।

অৱাং–নোংপোক্কী মীয়াম্না পামদে হায়দুনা সি এ বিগী মায়োক্তা হৌখিবা ইহৌ অদু তুংওইনরম্লগা মীখলগী মেনিফেষ্টো ফোঙলকপা মতমদা সি এ বি শোয়দনা চৎনহনগনি হায়রকপা অসিদি অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্বু তুমীৎ কাংগুম্বা উরকপনি। মরম অদুনা ঐখোয় অমত্তা ওইনা ইহৌ হৌমিন্নরবা কান্দা ঐখোয়গী ইচা–ইশুশিং অসি কনবা ঙমগনি। অকনবা ইহৌ হৌবা মথৌ তারি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরমদুদা এমসুগী প্রসিদেন্ট পিটর লাইশ্রম, কুকি ইনপি মণিপুর ইম্ফাল জোনগী প্রসিদেন্ট মাংচা হাওকিপ, জেলিয়ারোং য়ুনিয়ন মরিপুর, নাগালেন্দ অমসুং অসামগী প্রসিদেন্ট অমু কামৈ, ৱার্ল্ড হ্যুমেন রাইট প্রোটেক্সন এসোসিয়েসনগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট মুহম্মদ ৱাহাজউদ্দিন য়ুমখাইবম অমদি এমসুগী এদভাইজরসু ওইরিবা নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্ট ওর্গানাইজেসন (নেসো)গী জেনেরেল সেক্রেটরী সিনাম প্রকাসনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

## পোল্লিং ষ্টেসন অহুমদি নুপী খক্তনা মথৌ ...

*লমায় ১গী মখা* মীখল অসিদা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৫৯৯ দা লাইভ ৱেবকাষ্টিং তৌগনি। লোয়ননা ষ্টেট আর্ম পুলিস ফোর্সকী মথক্তা সি পি এম এফ কম্পনি ৪৫সু শিজিন্নগনি হায়রি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বিষ্ণুপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৪০ অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৩৮ পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক নুপী পোল্লিং পার্সোনেলশিংনা মথৌ তৌগনি। বিষ্ণুপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মোডেল পোল্লিং ষ্টেসন অনীদা পোল্লিং পার্সোনেল অমসুং সেক্যুরিটি পূম্নমক নুপী ঙাক্তনা মথৌ তৌগনি ।লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনসু য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন অমদসু পোল্লিং পার্সোনেল অমসুং সেক্যুরিটি নুপী ঙাক্তনা মথৌ তৌগনি।

মীখল অসিগীদমক মথৌ তৌগদবা মীওইশিং মশা মশাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিং দা থুংখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৫২৪ দা পোল্লিং পার্সোনেল ২৬২০ না মথৌ তৌগদৌরি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ১৩ লৈরিবা অসিদা নুপীঙক্তনা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ষ্টেসন ২৬ য়াওরি। লোয়ননা মোদেল পোল্লিং ষ্টেসন ১৩ সু য়াওরিবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা ভোট থাদনগদৌরিবা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং অদুদি থাংমৈবন্দ, উরিপোক, শগোলবন্দ, কৈশামথোং, শিংজমৈ, সেকমাই, লমশাং, কোন্থৌজম, পাটশোই, লংথবাল, নাউরিয়া পাখঙলাকপা, ৱাঙ্গোই অমসুং ময়াং ইম্ফালনি।

মীখল অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্লকপা থিংনবা সেক্যুরিতি পার্সোনেল লিশিং ৪ শিজিন্নরি। লোয়ননা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদনা সি পি এম এফ পার্সোনেল লিশিং ৮, নুপী পুলিস ১৫৬, সিভিল পুলিস ২,৬৪৮ অমসুং খুৎলায় পায়বা পুলিস পার্সোনেল ১৬৫২রোম শিজিন্নগনি। মসিগা লোয়ননা চুরাচান্দপুরদগী পার্সোনেল ৪৫০, কাংপোকপীদগী পার্সোনেল ২০০, চান্দেলদগী পার্সোনেল ৩৩০ অমসুং উখ্রুলদগী পোল্লিং পার্সোনেল ১৫০ শু দিষ্ট্রিক্ট অসিদা শিজিন্নরি হায়রি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অহুমদা হয়েং ভোট থাদনগনি। অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন ১১৮দা মথৌ তৌরুগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং অমদি সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং থৌবাল মিনি সেক্রেটরিয়েটতগী চৎনবা হৌখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৬ তা নুপীশিংখক্তনা মীখলগী মথৌ তৌগনি অমসুং মোদেল পোল্লিং ষ্টেসন অমমমসু হাংদোক্কনি হায়খি। অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন ১১৮ গী মনুংদা নোর্মেল পোল্লিং ১০৮, ভর্নরেবল পোল্লিং ষ্টেসন ৭ অমসুং ক্রিটিকেল পোল্লিং ষ্টেসন ৩ য়াওরি। লোয়ননা পোল্লিং ষ্টেসন ৪৫না লাইভ ৱেবকাষ্টিং তৌগনি হায়রি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা ভোটর পুন্না ৯৬,০২২ নি । লোয়ননা সর্ভিস ভোটর ১২৭৭ নি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু হয়েং ভোট থাদনগদৌরিবা অসিদা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ২২৮ দা পুন্না ভোটর ৬৯,৯৭৬না ভোট থাদনগদৌরি। মসিগীদমক মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্টিশিং মখোয় মখোয়গী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা থুংখ্রে। কেন্দ্র অসিদা পুন্না এসেমব্লি সেগমেন্ট ৬ লৈরিবনি।

## য়া চেকঅপ তৌবিয়ুঃ ডা. মেমোলি

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৭(এস এন এস) ঃ লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী মরক্তগী য়াবু চেকশিননা লৌবা মীগী মশীং য়াম্না য়ামদে। নারক্লবা মতমদা লায়েংবা ওইনা তৌই। য়া হায়বসি মীওইবগী য়াম্না মরুওইখ্রবা হকচাংগী শরুক অমা ওইবনা চাংনাইনা মসি চেকঅপ তৌথোকপীবা তঙাইফদে হায়না জে আর দেন্টেল ক্লিনিককী প্রোপ্রাইটর ডা. মেমোলি পুখ্রম্বমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কৈশামথোং তোপ লৈরক মনিংদা নৌনা হাংদোকপা জে আর দেন্টেল ক্লিনিক হাংদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা মেমোলিনা হায়, মী অয়াম্বনা য়া অসি নারক্লবা মতমদা লায়েংবগুম্না তৌরি।

মসিদগী হোংদোক্লগা মীয়াম্না য়া ফনা লৈনবগীদমক ওরেল হায়জিন মেন্টেন তৌবা তঙাইফদে। মদুগীদমক থা ৬ খুদিংগী চাং নাইনা য়া চেকঅপ তৌথোকপীবা চংই। মহাক্কী ক্লিনিক অসিদা পাউমীশিংগীদমক্তদি চাদ ২০ দিসকাউন্ট তৌবগী খুদোংচাবা লৈগনি। লোয়ননা চৎলিবা থা অসিমদি লেম্না মীয়ামগী সর্ভিস তৌগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। ক্লিনিক অসিদা য়াগী অয়াম্বা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংগনি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা য়া হাপ্প, মেনবা, শৎপা, এষ্ঠেটিক অমসুং ওর্নামেন্টেল ট্রিটমেন্ট মখলশিংসু পাঙথোকপগী খুদোংচাবা লৈগনি হায়খি। ঙসিগী দেন্টেল ক্লিনিক হাংদোকপগী থৌরম অদুদা এম য়ুগী থবক্তগী পোখারবা টি গোকুলচন্দ্র, থবক্তগী পোখারবা দিপ্যুটি দাইরেক্টর সোসিয়েল ৱেলফ্যার পি দেবেনসু শরুক য়াখি।

## 'মোরে ফায়ার সর্ভিসকী ফিভম অদুক্কী মতিক ফৎতনা লৈহৌরি'

মোরে,এপ্রিল ১৭(এস এন এস) ঃ ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার লমখৈ পরিংদা লৈবা মোরেদা হৌজিক লৈরিবা মণিপুর ফয়ার সর্ভিসকী সব ষ্টেসন অসিগী ফিভম য়াম্না পূক্নিং নুংশিনিঙাই ওইরি। মরী লৈনবা লৈঙাক্না মীৎয়েং চংবীবা তঙাইফদবা লৈরি।

মোরেদগী ফংবা পাউনা হায়, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী অমখক্তা ঙায়রবা মোরে ফায়ার সব ষ্টেসনগী ফিভম অসি য়াম্না শোকচিন্না লৈরে। লৈঙাক্না মীৎয়েং চংবীবা ৱাৎপগী মমি চাউনা তারি।

মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপা মতমদা মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন থুম কনগদৌরিবা য়াম্না মরুওইবা লোয়শঙ অসিগী গাড়ী থম্নবা গেরেজ অদুগী চেক্কী ফক্লাংশিং কিহুখিবনা মতম অমদা করিগুম্বা অকনবা য়ুহার হাবনচিংবা লাক্লবদি নিংখায়রকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে।

কুম ২০০২গী এপ্রিল ১৭ তা মতম অদুগী মিনিষ্টর ওইরম্বা বিজয় কোইজমনা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নরমখিবা ফয়ার সব ষ্টেসন অসি ঙসিদি চহী ১৮ মপুং ফারে।

হৌখিবা চহী ১৮ অসি হন্না য়েংশিনবীদবনা সব ষ্টেসন অসিগী গেরেজগী মথকথংবা সাট অদু নোংয়ুবনা টিন্না মথক কুপশিল্লগা লৈরি।

ফয়ার সব ষ্টেসন অসিগী ষ্টাফশিংনা লৈরিবা বেরেক অমসুং ফেমিলি ক্বার্টর অদুসু অদুক্কী মতিক ফিভম শোক্না লৈরম্বা থেংনখি। ফক্লাংশিং অদুগী প্লাষ্টরশিং কিহুরে, মথক্কী সাট ফাওবা কিহুখিবা য়াওরে। ষ্টাফশিংনা মতৌ করম্না নোংজু নুংশা মরক্তা লেনলমগদগে হায়বদু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। মখোয়না লৈরিবা বেরেক অদুসু ফক্লাংগী অকায়বা মফমশিংদা তর্পোলিন মচেৎ মচেৎ খারগা অহোবশিং মেনলগা লৈরমখি। ষ্টেটসন অসিগী মেইন ওফিস ওইরিবা সব ওফিসারনা মথৌ তৌরিবা ওফিসশিং অসিদা লৈরিবা য়ূমগী ফক্লাংসু ময়ি চাওনা চৎলগা লৈরি।

ফয়ার সব ষ্টেসন অসিগী ষ্টোর লৈতবনা সব ওফিসারনা লৈরিবা কা অদুদা থাউ জেরিকেনশিং য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং থল্লি।

সব ষ্টেসন অসিগী ইন চার্জ ওইনা লৈরিবা সব ওফিসার সনাতোম্বা চিরোমনা পাউচে অসিগা উন্নবদা হায়, হৌজিক্কী ওইনা মোরেদা মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপদা হৌজিক ষ্টেসন অসিদা লৈরিবা ৱাটর তেন্দর গাড়ী অচৌবা অনী অমদি ক্যুআরবি হায়বা মিনি ৱাটর তেন্দর মচা অমা লৈরিবা অসিনা মৈ চাকপা কন্নবা হোৎনবদা মৈহৌ লাংপোক অচৌবা থোক্লকপা মতমদা কোন্নদবগী অৱাবা মায়োক্লরি।

মসিদা য়াম্না মরু ওইরিবদি মোরে অসি ঙমখৈ লমদম ওইবা ইম্ফাল নৎত্রগা থৌবালনচিংবা অতোপ্পা মফমশিংদগী রি এনফোর্সমেন্ট লাকপা মতমদা মতম চংলিবনি।

হৌজিক লৈরিবা ৱাটর তেন্দর অচৌবা অসিদি লম্বী লমজাওদা ওইনা চৎপদা খুদোংচাবনি ।অপীকপা লৈরক্লচিংবদা চৎপা মতমদা খুদোং চাদবা মায়োক্লরি হায়খি। মফম অসিগী ওইনা য়েংলগদি ক্যু আর বি গাড়ী মরিরোম থম্বীরবদি হেন্না খুদোং চাগনি হায়খি। সব ষ্টেসন অসিদা ষ্টাফ ৯ খক লৈরি। মেনপৱারগী অৱাৎপা অসিনা মরম ওইরগা মৈহৌ লাংপোক থোকপদা খুদোংচাদবা লৈবনা মী খরা হেনগৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

## রিমস নর্সিং কোল্লেজগী হোষ্টেল শঙ মৈনা তুম্না চাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭(এস এন এস)ঃ রিজনেল ইষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্স (রিমস)কী নর্সিং কোল্লেজ গী হোষ্টেল সঙ মৈনা তুম্না চাকখ্রে, লাইবক ফবদগী মীওই অমত্তা অশোক অপনদি য়াওহৌদ্রে হায়রি।

ঙসি মৈ চাকখ্রবা হোষ্টেল সঙ অদু রিমস কমপ্লেক্স মনুংদা লৈবনি। হোষ্টেল সঙ অদু উনা শাবনি। হোষ্টেল অসি কা ২৫ মৈনা তুম্না চাকখ্রে হায়রি।

মৈ চাকপা অদুগা মরী লৈননা ট্রেন নর্সেস এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (ই টি এন এ আই) মণিপুর ষ্টেট ব্রান্সকী সেক্রেটরি টিঐচ বিনোদিনানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মৈ চাকপা অদু ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবা মতমদা খঙলকপনি।

হোষ্টেল অসিদা রিমস নর্সিং কোল্লেজগী বেটচ ১দগী ৪ ফাওবগী অপুনবা মহৈরোই ১৬০ রোম লৈ। মহৈরোই পূম্নমক মহৌশাগুম অয়ুক পুং ৯দগী রিমস হোস্পিটালদা দ্যুটি চৎ–খবদগী হোষ্টেলদা কনামত্তা লৈতে। ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপা মতমদা মৈখু চাওনা কাবা মীয়াম্না উন্নরকপদগী য়েংনরুবদা হোষ্টেল অসি ওইরমখিবনি। মৈ চাকদা অসিদা হোষ্টেল অসিদা লৈরিবা মহৈরোই অয়াম্বগী ক্লাস টেনদগী টুয়েল্ফ ফাওবগী সার্টিফিকেট, মার্কসিট, লাইরিক অমদি ফিরোলনচিংবা পূম্নমক য়াওখ্রে হায়রি।

মৈ চাকপা অদুগা মরী লৈননা ফয়ার সার্ভিসতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না ঙসি অয়ুক পুং ১০.২৫ রোম তাবা মতমদা পাউ ফংখি। খুদক্তা মফমদুদা চংশিন্দুনা ফয়ার টেন্দর ৩, ৱাটর বুজর ১ য়াওনা পুন্না গারী ৮ রোম শিজিন্নদুনা মৈ কন্নবা হোৎনবদা কাখরখক্তগী হেন্না কনবা ঙমহৌদ্রে। কা ২৫ রোম মৈনা তুম্না চাকখ্রে। হোষ্টেল অসিদা মমাঙদা ইলেক্ট্রিক্ট স্পার্ক থোকপগী কমপ্লেন্ট খরা লৈখি হায়রি। মরম অদুনা ঙসি মৈ অদু ইলেক্ট্রিক্ট সোর্ট সার্ক্যুটতগী হৌরকপা ওইরম্বা য়াই। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লুপা কয়ারোমগী মাল চাং চাকখ্রবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রবসু মহৈরোইশিংগী চে–চাং, লাইরিক অমদি ফিরোলনচিংবদি অয়াম্বা চাকখ্রে হায়রি। অমরোমদা, রিমস নর্সিং কোলেজগী লেদিজ হোষ্টেল মৈ চাকখিবা অদু য়েংশিন্নবা রিমসকী মেদিকেল সুপরিনটেন্ডেন্টনা চিয়ার্মেন ওইবা মীহুৎ ১২ শাবা দিজাষ্টর রেস্পোন্স টিম অমা শেম্লে। নর্সিং কোল্লেজ অসিদা তম্লিবা মৈ চাকপা অদুনা হকথেংননা শোকহল্লবাশিংনা মখোয়গী দেমেজ এসেসমেন্ট রিপোর্ট অদু মখোয়গী ৱার্দেনগী খুথাংদা মেদিকেল সুপরিনটেন্ডেন্টদা পিশিল্লক্লবা প্রোফেসার চিঐচ অরুনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## সি এ বি পাস তৌখ্রবদি ...

ঙরাংগী মখা... মখোয়গী কন্স–টিট্যুসন মখোয়গী লিগেল সিষ্টেম মখোয়গী ব্যুরোক্রেসিবু লালোং অমা ওইনা শিজিন্নরে। হায়বসি ঐখোয় কংলৈ মীয়াম পুম্নবনা খঙমিন্নফম থোকই। ঐখোয়গীসি থেঙ্গু ওল্লবা সান্দ্রেম্বীগী মমাগী পোফম অদুমক্লি। উনা উনা, খঙনা খঙনা শিগদৌরিবনি। অনৌবা মখলগী হোলোকোষ্ট অমা ইন্দিয়ানা থৌরাংবনি। মসিদগী ইশাবু কঞ্জনবগীদমক ঐখোয় হান্নবা লৈতনা লম্হোংনবা হাবসিনা লমদমসিগী য়েল্হৌমী ঐখোয় পুম্নমক্কী চেনফদ্রবা ঈথৌদাংনি। ইরৈবাক ইরমদমনা ঐখোয়গী থৱাইনি। মীতোপ্না ইরমদম মুন্দুনা পনখ্রবদা য়েল্হৌমীগী হিংফম কদাইদনো ? ইরৈবাক লৈত্রবা, খুন্নাই লিংবা ঙমদ্রবা অদুগুম্বা মতমদুদা য়াওলগী মৈদি মুৎখিরোইদ্রা হায়নসু হংলক্লি।